ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওগষ্ট ২৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৪৯শুবা মশীং

# করপসন

## মীওইবা খুন্নাইগা অদুম্মক লোয়নরদ্রা

করপসন হায়রিবা ইংলিসকী ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক ঐখোয় শ্বাইদা শেঞ্জা-থুমজা হায়না হন্নরি, লৌনরি। হায়রিবা থবকসি থৱায় পানবা মখল কয়ানা লৈরিবা মালেমসিদা মীওইবা খক্তনা মী মশেলগী মরক্তা তৌনবা, চত্থনবা থবকনি। মী নত্তবা অতোপ্পা থৱায় পানবশিংগী মরক্তা মখোয় মশেল অমগা অমগগী মরক্তা করপসন তৌনবা, চত্থনবা থেংনদে। মসি থৱায় পানবা পূম্নমক্তগী মীওইবনা খ্বাইদগী শিংবা, ৱাখল তাবদগী ওইগদবা মাল্লি। অদুবু শেঞ্জা-থুমজা ওইরিবা করপসনগী ৱাহন্থোক অসিদি তৌফম থোক্তবা, লৈহনফম থোক্তবা থবকনি। অদুবু থবকসি মৈহৌরোলদগী মীওইবা হায়বা কাঙলূপসিনা লৈরকপদগী লৈরক্লে, শাগোন্নরক্লে হায়বদা লানগদবা মান্দে। মরমদি পীকখ্রবা, মীশিংসু য়ামজদ্রিবা মণিপুরী খুন্নাইদসু 'ক্বা মতপ অমনা চিন পৈ' হায়বগী ৱাফমসি মীরোল কয়াদগী মথং মথং লৈরকপনা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবনি। তশেংনমক ৱাহৈসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক্তি লন্নাই মীওই অমনা নৎত্রগা খরনা, লূপ অমনা, লূপ ময়াম্না অমসুং গভর্ণমেন্টকী খেন্নবা রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা লৈরিবশিংনা মখোয় মশাদা শিন্নবা, মখোয়না তৌগদবা, তৌফম থোকপা থবক-থৌরমশিং অদুগী ৱাংমদা, মদুদগী হেন্দোরক্তুনা অহেনবা থবকশিং তৌরকপবুনি। ইশম শম্বদা তৌফম থোক্তবা, তৌগদবনি হায়বসু লৈতবা থবকশিং তৌশিল্লকপবুনি। মরমদি লন্নাই মীওই অমগী নৎত্রগা খরগীবু ওইরো তৌফম থোকপা থবকশিং তৌবা, পাঙথোকপা অমসুং মদুদগী ফাউবা হেন্দোক্লা তৌথোরকপা হায়রিবশিংসি থবক থবক্তুগী নৎত্রগা থবক ময়ামদুগী পান্দম অমা লৈগদবনি। লন্নাইগী ওইরবসু, গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফাউবা ওইরবসু য়াচল অমমম লৈগদবনি। হায়বদি 'দুজ এন্দ দোন্টস' তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং লৈগদবনি। লৈসু লৈরিবনি। মসিগী ফিজি-ফিনা নেৎলকপগী থৌওং চত্থরকপবুনি শেঞ্জা-থুমজা নত্রগা করপসন হায়গদৌরিবসি।

মরমদি তৌফম থোক্তবা থবক-থৌওং অমা চত্থরকপা হায়বসি তৌরিবা মীদুদা করিগুম্বা মখলগী অহেনবা খরা ফংবদগীনি। মীনা তৌহল্লকপা ওইরগনা তৌহল্লক্লিবা মীওইদুনসু তৌফম থোক্তবা অহেনবা থবক্তুগী কান্নবশিং ফংগদৌরিবনি। মসিগীদমক অহেনবা থবকশিংসি তৌনরিবনি। অদুবু হায়রিবা থবকশিংসি তৌফম থোল্লবা, তৌদবা য়াদ্রবা থবকশিংদি নত্তে। মসি ওইরগদি তৌফমসু থোক্তবা, অচুম্বসু ওইদবা থবকশিংসি মতৌ করম্না তৌহল্লোইদগে হায়বসিগী ৱাফম লাকই। হায়রিবশিংসি তৌদনবা, তৌরক্লগনা চৈরাক পীননবা অহকপা চৎনবী এক্ট, রুল ময়াম লৈ। তোপ-তোপ্পা 'প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট' হায়বা অমসু তোঙান্না লৈ। এন জি ও/সী এস ও, ইন্টলেকচ্যুএল, মহৈরোয়শিংগী লূপ অমসুং মসিদগী হেন্দোরক্তুনা মীয়াম্না ফাওবা করপসন/শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা লাওরি, মসিগী মায়োক্তা লেপ্লি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফাওবা মসিগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি, লৌখৎলি। অদুবু উবা ফংদবা, লৈ হায়বদি খঙবা নুংশিৎকা পাঞ্জক্লবা করপসন হায়বসি মরূ ফৃক্তুৎতুনা লাপ্না লংথোকখিবা ঙমদে, অদুম্মক লৈ। মশ্বাইসি য়ৌরক্লবদি করপসনগী হৌরকফম মরম কোকথোং অমা লৈরগসু মীপূম তিংনা ৱাখল তামিন্নবা চঙই। ইশাগী, ঐ খক্তগী হায়বা অখুবা মীৎয়েংশিং থাদোক্লরগা পুকচেল শেংনা অমসুং ইন্টিগ্রিটি লৈনা থবক তৌবা চঙই। অসিগুম্বা মখলগী চৎনবীসি মায়কৈ কয়াদগী মীপূম তিংনা হৌদোক্লদুনা তৌনরক্লগদি থবকসিদা মতম খরা চঙজরবসু শোয়দনা ষ্টেট অসি করপসন ফ্রী ষ্টেট অমা শোয়দনা ওইহল্লকপা ঙমগনি খল্লি। মরম অদুনা থবকসিদি মীওই ১/২না নৎত্রগা খুজোক খরনা য়ারোই। মীপূম তিংনা 'মাস' ওইনা ঙাক্লা চৎনরক্কদবা অমা ওই হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১) *''পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।''* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) *''পুন্সিগী খোঙচৎতা''* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো?

৩) *''নুংশিত্তি পাবা হৈতে''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা হন্দোকপনো?

৪) *''কনাসু ঐগী মিং খঙদে''* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) *''নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্ত্রে লৈশিল্লে, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।''* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুরদা শরেং য়োকপা ওইগদৌরিব্রা, ওইরোইদৌরিব্রা?

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৬৯**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হন্দক্কী লৈঙাক অসি হায়বদি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মতম লোইশিল্লক্কদবা থা ৫/৬তা ঙাইশিল্লক্লে। কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইরগদবা ২৮ ভোট কারকপা এবসোল্যুট মেজোরিটিদি ফংখিদবনা কুন্থ্রামাথোইশুবা ঙমদবদগী লৈঙাক শেম্বা ঙমখিদে। অদুবু শুপ্নতগী ২১দং কারকপা বি জে পিগী কেন্দিদেটশিংনা অতোপ্পা পার্টিদা কারকপা পার্টিশিং চোয়খোম খোমজিন্দুনা লৈঙাক নম্ফুদা শেম্বা ঙমখি। মসিমক্তি কোংগ্রেসকী ওইনদি য়াম্না লাইবক থীবা হায়বদুনি হায়গদ্রা নৎত্রগা চহী ১৫ মনম লৈবাক তাদনা লৈঙাল্লবা পার্টিনি হায়না মুক্লিঙৈদা তোকপনি হায়গদ্রা অমদি ওইরে। বি জে পিনা লুচিংবা পার্টিনা লৈঙাক হেক শেমখিবদগী মখা চত্থরকপা ওইনা আইট সেদ্যুলগী থৌরবা থাঙশাংবু কিদদুনা চত্থনখিবা চোঙথোক চোঙশিন, লোংহুন, উপহুন, চিফ মিনিষ্টর শিন্দোক্লবা দেল্লীদা চৎতুনা কেম্প তৌদুনা লৈনখিবা মদুসু ওইবা ঙমদদুনা অমুক পাইথোক্লরকপা, হৌজিক্লা মতম লোইশিল্লক্লবনিনা নে-তাদনা অমুক লৈবা মাল্লবা কয়া কয়াগী ৱারীদি মীয়াম্না হেন্না খঙবীরবনি। ঐগী পুন্সিদা খঙলকপা থেংনরকপদা হন্দক্কী চহী ৫গী টর্মগী পোলিটিক্সকী ওলিম্পিক্সতা খ্বাইদগী হেন্না হঙ্গোইবা মশক অদু উবা ফংখি।



শক্তি পায়রিবা লৈঙাক অমদি ওপোজিসন পার্টি হায়রেদনা অমনা অমবু হুনবা, চৈবা লেপ্নখিদে। হৌজিকপুদি খরা ঈংথবগুম তৌখ্রে। লেপ্তুনা চেন্থরকপা মতমগী মতুংইন্না হৌখিবা, হৌজিক ওইরিবা অমদি তুংদা ওইরক্কদবা হায়বসিদি মালেম মানা লৈরিবমখৈ লোইবা নাইবগী ৱা লৈতে। অহোংবা নাইবা তাইবঙনি, অহোংবদি অদুম লৈবা তাবনি। হৌখিবা মমাঙগী চহী ১৫দা কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈ মতমদা অফবা থবক কয়া তৌরমখি অদুগা পেন্দবা কয়াসু তৌরমখি। মতমদুদা লৈকং থোং শারল্লে, দিমাপুর, গুৱাহাটি মতেক অমদি মাঞ্জরে ইম্ফাল। ইমা কৈথেল অহুম উবা ফংলিবা অসি ওন্থোক্লা চুশিন্নখ্রে। শ্রী ইবোবীগী মতমদা ফজ-ফজরবা মীয়ামদা কান্নগদবা প্রোজেক্ট কয়াসু পায়খৎলমই। মদু খোগোপ্পা তেল্লবা কলম অসিদা ইরবদি চল্লরোই। অদুবু মতমদুগী বন্দ, ব্লোকেদ, পেট্রোল পম্পতা অহিং হৌগৎলগা ক্যু লেপ্নখিবা, রবিনা-সঞ্জিৎ মীহাৎ, নুংতিগী ফকাপকী ৱারী খল্লুবদা তু চুংই। অমম অথেংবদা মপান থোকপদা কিনরবা মতম ওইখি। সঞ্জিৎ মীহাৎ টেহলকানা পুথোল্লমদ্রবা ঙসিসু মী য়াম্না শিরম্বা য়াবজাৎনি। থৌদোক অদুদগীদি গেলেন্ত্রি এৱার্দ তান্নবশিং উচি মখুলদা চঙখ্রে। হৌজিকসু মখোয়গী মথক্তা সী বি আইগী কেস লোনখৎলগা লৈরি।

মসিনা হৌখ্রবা লমায় থুপচিনখ্রবা ৱারীশিংনি। হৌজিক্লা অমুক কমদৌবা। হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা চঙশিল্লক্লি হায়বসিদা য়ানীংবসু, য়ানীংদবসু অদুম্মক য়াওগনি। কনাগুম্বনসু হায়নৈ মদুদি মণিপুরদা বন্দ ব্লোকেদ তোক্লখিবসি তৌমন্দনা খিবদগীনি। বন্দ ব্লোকেদ হেক তৌরুবা মতমদা নেসনল হায়ৱে অনী হায়বদি ইম্ফাল টু জিরিবাম, ইম্ফাল টু দিমাপুর অনীসিদা লৈরিবা শেলখায় থুমখায় তৌরিবশিং, টেক্স নমফুদা লৌরিবশিংনা নোংমগী গাড়ী ৪০০/৫০০ চৎলিবশিংসিদগী লুপা ১দি লায়রদনা সিকি অমা ফাওবা ফংলরোই। হোটেল পূম্বা থোঙ লোনখিনি, পুলিস চ্যেক পোষ্টশিং, নাগা, কুকিগী ওর্গনাইজেসনশিংসু অদু মঙাইরে বন্দ হেক তৌবদা লুপা ১ ফাওবা ফংলরোই। শ্রী ইবোবীগী মতমদা দিষ্ট্রিক্ট ৬ মণিপুর শেগাইরগা হাপচিল্লম্বদগী নুমিৎ ১৩৯/১৪০ বন্দ ব্লোকেদ তৌরুবদা মখোয় পূম্বা খিবা হায়বদু য়ৌখি। মাও গেট লান্থোল্লগা নৎত্রগা মনুংদা লৈবা নুংতিগী শেল খোমগৎপশিং জর্দা, এস্লো বিস চারম্বদগী কোম ক্বাদা হন্থরকখি। উপুদা লুপা ১৫০ পীবা কিং সাইজ চুরুট হাপ্লম্বদু মন্টু বিড়ি, বান্দর বিড়িদা হন্থরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী শেন্দাল লম্বী লৈরক্তবদগী বন্দ ব্লোকেদ তৌরবদি ঐখোয় চরা হেল্লগনি খনবদগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ তোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা ঐঙোন্দা লৈজে। ঐখোয়দি মপানগী পোত্থোক্লা থাকপগুম্বনি।

হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা মণিপুর মীয়াম্বু ৱাত্ত-পাদবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক প্রোজেক্ট কয়া অমা পায়খৎপগী পাউ তাবা ফংজে। ময়াম অদুগী মনুংদা মণিপুরদা শরেং ঙা য়োল্লবা, পোত্থোক পুথোক্লবগীদমক প্রোজেক্ট পায়খৎপা হৌখ্রে। মরমদি শরেং হায়রিবা ঙা অসি মণিপুরগী মরু ওইনা মৈতৈশিংগী চাকচা হৈজানবা, মঙানি চাক্লৌবগুম্বা থৌদোকশিংদা অমদি চাক চাবগী ওকেজন অমা হেক্তদা শরেং য়াওদ্রবদি মপূং ফাদবগুম খন্নবা লৈ। মতম অমদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদসু মৈতৈ শরেং উরকখি। থোংবা চাবা থকপা তৌখি। মচু অঙাংবা চেনবা অঙৌবদা সনা মচুনা চেনবা শরেং ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী লিচিং মখাদা মণিপুরদা শরেং য়োক্তুনা পোত্থোক পুথোক্লবগী পান্দমদা ঙামীশিংদা লোন পীগনি, চাদা ৫০ গ্রান্ট পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে। লম্ফেলপাৎতা লৈবা ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী ঙায়োক পুখ্রিদা শরেং মচা চবুন অমসু থাদবিখ্রে। ঐখোয়গী পোত্থোক হেনগৎহন্নবগী পান্দম ওইনা থৌরম অসি থাগৎনীংঙাইনি।

শরেং হায়রিবা ঙা অসি মণিপুরদা অসুক্কী মতিক পাম্নরিবসি তোঙানবা মহাউ অমা লৈবদগী ওইরমগনি খল্লি। মরমদি মপান লমদগী উননা য়োল্লগা পুশিল্লকপা ওইরগসু মণিপুরদা ফংলিবা তগৎ তগৎ তেকপা ঙাদগী মমল হেল্লিবা করিগীনো হায়বসিদি শরেংবু মহাউ খঙনা চাবিরিবশিংনা পাউখুম পীবিগদবা মঙায়রে।

শরেং (ৱাল্লাগো অট্টো) মণিপুরদা মৈতৈ শরেং, বঙ্গালদা বোউল, হেলিকোপ্টর ফিশ, ৱাল্লাগো কেট ফিস হায়বা ঙা অসি মরু ওইনা তুরেল অচৌবদা, অচৌবা ঈপাক্তা, পাৎকুম্বদা ফংবা ঙা মখল অমনি। শাথীখ্রবা মমানা মচা ফাওবা চাথোকপা ঙানি। অদুগীসু মথক্তা মখোয় মশেলসু অঙম অঙম্বা চাথোক্লে। অতোপ্পা মখলগী ঙাশিং হায়বদি রৌ, মিরগল, কটলা, সিলভর কার্প, গ্রাস কার্পকুম্বদি ফার্মিং তৌনৈ, য়োক্লে। শেন্দালফম ওইনৈ। অদুবু শরেং য়োকপা ফার্মিং তৌবা মফম মালেমগী ওইনা অমত্তা লৈতে হায়না থেংনজে। রৌ, মিরগল, কটলাগুম্বা শেন্দোং ফংগদবা ঙাশিং য়োক্লবনা অয়াম্বা ওইনা উজে, থেংনজে। শরেং অসি মচা পুথোকপা স্পোঞ্জিং তৌবা, ঙা মচা ওইনা পুথোকপদি ৱারগসু তোঙান তোঙান্না য়োকফম থম্লগা নৎত্রগা অচৌবা ঈপাক্কুম্বা তুরেলদা থাদখিবা নত্তনা ব্রোইলর লোয়বগুম শরেং য়োকপদি মায় পাকপা ঙমগদ্রা হায়বসি ঐঙোন্দদি অচৌবা ৱাহং অমনি। ঙা খ্বাইদগী থোকপা মফম অন্ধ্র প্রদেশ ফাওবা শরেং ফার্মিং তৌদে। অদুবু টি ভিদা, পাউচেদা ঙাঙলকপদা, ইরকপদা অন্ধ্র প্রদেশতগী শরেং পুরকই হায়নরিবদু লাল্লি। রৌ, মিরগল, পেঙবা, ঙাহৈ, অহিল্লাগুম্বা নত্তনা চাদা ৮০ গুম্বদি হাওরা মার্কেটতগী এরোপ্লেন্দা শরেং মণিপুর তম্না পুশিল্লকপনি। মণিপুরদা খ্বাইদগী পাম্নবা ঙা পঞ্জাবীশিংনসু পাম্না চানরি। ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা শরেং ফংদবা লৈতে। বেঙ্গল, অসাম, ওরিষা, কর্ণাটক্কা, গুজরাট, অন্ধ্র প্রদেশ ময়ামসিগী মনুংদা বিহারনা শরেং খ্বাইদগী পুথোকপা ষ্টেটনি। য়োকপা নত্তে, গঙ্গাগুম্বা অচৌ অচৌবা তুরেল, পাৎশিংদগী ফাবনি। মণিপুরদা ফিসরিজ দিপার্টমেন্টনা শরেং য়োকখিবগী পাউ কুমজা ২০০৯দা তাবা ফংখি। ফারগা চাখিবগী পাউদি থেংনখিদে। লোনসু পীবা, চাদা ৫০সু গ্রান্ট পীবা শরেং মিসন মায় পাকপদি ওইসনু। অমুকসু খল্লি, মতম শেল মাঙহনগদৌরিব্রা। মরমদি শরেংদি পুখ্রিদা য়োকপা য়াবা ঙা নত্তে। অদুমকপু ইথাই বরাজ হেক থুগাইরবদি মণিপুরদা শরেং মরাং কায়না ফংগনি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৩২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

করিগী হায়বদা, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী কিলোমিটর অনীদগী মঙানা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীশিংনা চীংগীদদি কিলোমিটর ৪০দগীনা কিলোমিটর ১০০গী মনুংদা লৈবা মীশিংদগী হেন্না ইম্ফালদা লৈরম্বা য়াই। শেম শাবদনা ইম্ফালদা লম্বী মতেক খরা শেম্বদা চঙবা শেনফমদুনা খুন য়ৌনবা হায়বদি খুন অমগা খুন অমগগী মরক্তা যূম্লাক মঙা/তরাদগী হেন্না তাদবসু কয়া অমা য়াওবনা - মী য়াম্না কুংনা তাবা তম্পাক্কী শরুক্কা মী য়াম্না য়ামদনা খুন অমগা খুন অমগসু য়াম্না তাম্ননা তাবনা শেম শাবগী থবক্তদি মান্নবা হৌনদে। মসিদি চুমদুনা লৈরবা পোৎনিনা/ৱাফমনিনা - খন্নবা য়াবা ৱাফম অমদি করম হায়না তৌরগা চীংতম অনীমক থোং মান্ননা চাওখৎহনসিগে হায়বসিগী মতাংদা ইনাৎকী পুয়া লাইরিক্তা ময়েক শেংনা য়াওরম্বদি হায়বদি মৈতৈগী লাই হরাওবদা ঈশৈ ওইনা শক্লবা - "চীংদা তাবনা তমদা তাগে মহায়য়ে, তমদা তাবনা চীংদা তাগে মহায়য়ে, ৱাকোনলো ৱাকোনলো" হায়বসিমক্লা চীং-তম থাক মান্ননা চাওখৎহনগে হায়বগী অশেংবা পাউখুম ওইগদ্রা খঞ্জে। চীংগী লমদনা লমগী পাক চাউবনা চাং চানদনা হেনমন্না চাওরগা তমদনা লম পিকপগা চাং চানদনা মীনা কৃক কৃক ইন্ননা তাবনা চীংগা তমগা থোং মান্নদবা হায়বা থৌদৌসি থোকইবনি। মসিদগী ঙাকথোল্লবা, হৌরক্লোন্দগী চীংমী-তম্মী নক্লবা ঈ মরী লৈনবা ইচিন ইনাওনি হায়বসু মথক্কী লাই হরাওবগী ঈশৈনা তাকইবসিগী মতুংইন্নসু লৈনীংবা মীনা লৈনীংবা মণিপুরগী মফম অমদা লৈবা য়ানবা অমত্তা ওইনা লেপ্লগা লমদমসিদা নারোন্দা নৎত্রগা ফোঙনা চঙশিল্লগা খুন্দাশিল্লবা মীরমচা মীতোপ পূন্না খঙদোকমিন্নবগী চপ চাবা মতমদু য়ৌরক্লে হায়না থমজরি। খোয়ুম লাইশিংগী লাংওন ওইবা কুরু অহুম, অমুক্লা লাই ওইনা, অমুক্লা তাইবঙ মীগী অফ-ফত্ত তাকপীনবা তাইবঙ লাংওন ওইনা, অমুক্লা মায়চৌ পুরেল ওইনা, কোনন চক্কী মায়চৌ তরেৎ ওইনা লৈরম্লগা শাথুপ্নবু লৈনখিবা কুমজাশিংদো মতম শুরদুনা মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না শাফোংনরক্তুনা উনরগদবা অদুগুম্বা ৱাংলেন মতমদু কুইদ্রবনি অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা হৌরক্লবনি।

হৌরক্লোনদদি চীংমী-তম্মী তাশিন খোমজিন্না মতিং লৈনা পাল্লম্বদা মীরমচাগী ঈথিল খরা চঙলক্লবসু নিংথৌখক্তগী অপাম্বগী মপুং ওইনা ওইরম্বদু অদুঙৈ মৈতিংঙু চরাইরোংবা হাক্তক্তা নিংথৌ ওইনা পানখিবা খৃ: কুমজা ১৬৯৭তগী হৌরগা মচা ইবুংঙো পামহৈবা (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) গী হাক্তক্তনা চীংমী-তম্মী অশেং অমাং খায়দোক্তুনা অমত্তা ওইরম্বগী লিপুন্দা ময়ি চৎহনবা হৌখিবগা লোয়ননা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তনা অমুক হান্নগী লৈজরকপা লাইনীং লিচৎপু নমথরগা মীরম লাইনীং নম্ফুদা চৎহন্নবা হোৎনরকখিবদগী ঈ মশেল মরক্তা নাকপাক তাবা হৌখিবনি। অসুম্না তৌবা হৌখ্রবা মতুংদা মশু শুথাং ওইবা চীংথংখোম্বগী মতমদগীনা হৌজিক ফাওবদনা মুকশন হিন্দু লাইনীং য়াম্না কন্না মথি ফোংলম্বসি হায়নখিবা/য়ানখিবা মতম শুরদুনা নোংম-নোংমগী মরাই চাইথবা হৌরক্লবনি হায়বসি মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা খঙবা হৌরক্লবনি। মদুগী মতিক চারবা খুদমদি 'ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র (চীংথংখোম্বা) হাক্তক্তগী লৈবাক অসিগী নিংথৌশিং অমসুং কংলৈচা মণিপুরী মীতৈ হিন্দুশিংনা চৎলিবা হিন্দু লাইনীং অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লাই অমা ওইনা লৈরক্লিবা শ্রী শ্রী গোবিন্দ অসিগা লৈবাক্কী নিংথৌগা লৈনরকপগী মরী অদু ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎকী হাক্তক্তদি (১৯৫৫-১৯৯৬) তৎখি। অসিখক্তা নত্তনা, মীতৈ হিন্দু বামোনশিংনা সনা কোনুংদা ঈরাৎ থৌরম তৌবা হিন্দু লাইনীংগী লাই পূম্নমক্কা সনা কোনুংগা মরী লৈনরকখিদ্রে। মরী পূম্নমক তৎখ্রে। সনা কোনুংগা শম্নখিদ্রে।" (চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্বা খোংনাংথাবা, লা: ৩৫)। রাম নাম শোন্দুনা নোংখ্রঙ ইরুপহন্দুনা রামান্দি লাইনীং লৌহনখিবদগী অনম অহা চুরিবা, ৱাখল লৌশিং ফকচিল্লিবা অসি কোক্লবগীদমক খৃ: কুম ১৯৭৪গী ফেব্রুৱারী ৬, ফাইরেল থানিল, যূমশকৈশা নুমিৎতা নোংখ্রঙ পরৈহনবগী থৌরম পাঙথোল্লবা মতুং খৃ: কুম ১৯৯২গী এপ্রিল থাগী চৈচৎ ২৩, শজিবুগী ২১নি পানবা শগোলশেল নুমিৎতা ইনিংথৌ ওকেন্দ্রজিৎনা লৈবাক মীয়ামদা অসুম্না লাউথোকখি - "ঐনা লূবাক তাবু হাংদোক্লে অদুগা লৈবাক্কী লাইনীং ওইরিবা হিন্দু লাইনীংবু থাদোক্লে অমসুং (লাউথোক-চে) অসিনা লৈবাক অসিগী চৎন-পথাপ্পা (হিন্দু লাইনীংবু) শক খঙলম্বা অদু থাদোক্লে, (মসিগী মহুত্তা) নিংথৌগী চৎন-পথাপ্পা লাইনিংথৌ লাইনীংবু হিংগৎহল্লে অমসুং লৈবাক্কী লাইনীং ওইনা শক খঙলে।" (চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবা, লা: ৩৬)।

অনীশুবা খুদম অমগা মরী লৈননা মৈতৈ/মীতৈ ইনাৎ লাইনীং অথুবা মতমদা হঞ্জিল্লক্লনি হায়বগী মতাংদা মঙাংচা নাওরেম হেরাঙম্বনা ইবা ৱারেং "লাখাই ফান্দোং চীং (কাইনা)" হুইয়েন লানপাউগী চৈচৎ ৪/১২/২০১৯, যূমশকৈশদা ফোঙখিবা অমদি সঙাই এক্সপ্রেসকীদা চৈচৎ ২১/৪/২০২১দা ফোটোগা কোন্ননা ফোঙখিবা অনীগী ৱারোল শল্লপ্পা অসুম্না থমজরি।

মতম অমদা অশেঙবা থৌদোক অমা ওইনা থোকখিবদা সনা চীংদোনগী চীংখোং লোক মৈরোম্বীগী থেন্দা পানখিবা লাংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীংখৈরাকপা (চীংশোম্ব) না থম্বাল কৌবী লাইরেম্বী অমগা ফম্বাল তোংমিন্নরগা থংবী, থংবা কৌবা মচিন-মৌপ্পা অনী পোল্লবা মতুং চহী খরগী মতুং ইকুই কুইদনা খম্নুং শৱা তানখি। অঙাং ওইরিবী ওইরিবা মচিন মৌপ্পাবু য়োকপা ঙম্নবা চীংখৈ মরুদগী হামৈ য়োনবী তেংলৈবী কৌবী অমা অমুক পান্নরবা মতম খরগী মতুংদা লাংমাই নিংথৌ চীংশোম্বসু খম্নুং শৱা তানখ্রে। নোংদম্বগী নোংদমখোন্না তেংলৈবীবু অমুক ৱাখা লাকপনা মহাক্কী শঙ্গাইদা পুখিবদগী মচিন মৌপ্পা ৱানা মতম খরা লেল্লবা মতুংদা মচেনা মমাতোনবীনা লৈবা অকোনবগী ৱাখালাকপগী যূমদা মমাতোনবীনা তৌ হায়বদু ঙম্বদগী লৈবা য়াহল্লগা মৌপ্পা থংবদি মমাতোন্না তৌ হায়বদু ঙমদবদগী তান্থোকপীরক্তুনা য়াম্না ৱানা মতম খরা লেনখি। মচে থংবীনা চেঙ পীরকপা মতমদা হায়রকপদুগী মতুংইন্না থংবনা লাংমাই চীংদা কাখৎতুনা চাক থোংনবা মৈ হৌগৎলিঙৈদা খঙহৌদনা 'ৱাবা লময়েন' না চেঙশিংদু খুন্দুনা চাথোকখিবগী থৌদোক্তু মচেদা তম্বদগী মচেনা চেঙ খরগা লাং অমগা পীরক্লম্মী। লাংমাই থংবনা লৈখিবা চীং অদুগী মমিং 'লাখাই ফান্দোং চীং (কাইনা)' কৌই। লাংমাই থংবনা তূল্লমদাইদা মচেনা পীরকপা লাং অদুগী মমাঙদা চেঙ খরা চাইথোক্তুনা থল্লম্বদুদা তাইবঙ মপুনা 'মচিন মৌপ্পা অনীগী অৱাবদু উদুনা নুংঙাইহন্নবা তেংবাংবীরগে খনবদগী ৱাবা কৌবা লময়েন ঐনা লাংদা থুরবনা ঐবু থাদোকউ লাউ, ঐনা তম্ফা খুদোপ য়াই ওইবা নঙোন্দা পীগে লাকপনি' হায়না থংবগী খোল্লেন মঙলান্দা হায়রবদুগী মতুংইন্না থংবনা নোংঙাল্লগা য়েংলুবদা তশেংনা অচুম্বা থৌদোক ওইখিবদগী ৱারম্বদগী মমৈদা নিংথৌগুম নুংঙাইনা পালহনবিখিবা 'ৱাবা কৌবা লময়েন' মতম অমদা কাইনা চীংদা ফংলম্বদগী/লৈরম্বদগী চহী মতম শাংনা - 'মণিপুরদা মশক উবা ফংলক্ত্রবা তাঙলবা উচেক মখল অমা ওইরিবা 'ৱাবা' (কালিজ ফিজেন্ট) অমা কনবীরগা য়ুনিক ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী থৌমীশিংদা শিন্নখিবগী' কলর ফোটো অমা সঙাই এক্সপ্রেসকী এপ্রিল ২১, ২০২১দা য়াওরকখিবসিনা তাকপদি অরিবা ইনাৎ লাইনীং লীচৎ অথুবদা হঞ্জিল্লক্লগনি হায়বসিনি। ●